# ইবেমহল নিংশিং ইনভাইটেসনেল কাং টুর্নামেন্ট

## সনামহি কাংখুৎ কছার অমদি ইম্ফাল কাংখুৎ অনীনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ওল হৈলাকান্দি দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন অমদি বির টিকেন্দ্রজিৎ স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা চথরক্লিবা ইবেমহল নিংশিং ইনভাইটেসনেল লীগ কম নোক আউত নুপী কাংখুৎ কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২১দা সনামহি কাংখুৎ কছার অমসুং ইম্ফাল কাংখুৎ অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি হৈলাকান্দিগী জি রিবোনদা লৈবা হরি মন্দির মান্দবতা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সনামহি কাংখুৎ কছারনা এল কে কে হৈলাকান্দি কাংখুৎপু পাঞ্জল ৭তা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সনামহি কাংখুৎনা পুন্না পাঞ্জল ১৭ লৌবা ঙমখি । অদুগা এল কে কে হৈলাকান্দিনা পাঞ্জল ১০ লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল কাংখুৎনা নোংদোন লাইরেম্বী হৈলাকান্দি কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা নোংদোন লাইরেম্বী কাংখুৎনা পাঞ্জল ১২ অদুগা ইম্ফাল কাংখুৎনা পাঞ্জল ২৬ লৌদুনা নোংদোন লাইরেম্বীবু পাঞ্জল ১৪দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

# তা ব্রিক্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী যু-১৭গী নুপীমচাশিং সাউথ আফ্রিকাগী মখুৎতা ১-৫ দা মায়থিখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
সাউথ আফ্রিকাগী জোহেনসবগতা য়ুমজকৈশা নুমিৎতগী হৌদুনা শান্নখিবা ব্রিক্স অন্দর-১৭ গার্লস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপীমচাশিংনা য়ুম্বু সাউথ আফ্রিকাগী মখুৎতা ১-৫দা মায়থিবা নঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপদা সাউথ আফ্রিকাগী শান্নরোইশিংনা খুমাং চাওশিন্না শান্নখিদুনা গোল চনবা য়াবা কয়া ইন্দিয়াগী গোল কিপর অর্চনা অরুমুগমনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদবা অদু শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা সাউথ আফ্রিকানা অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ১৫ লৈরগা বানলালরিয়াত্রিনা শাংনা পীখৎলকপা বোল অমা সমিকশানা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা ১-১ দা অহানবা হাল্ফ দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা সাউথ আফ্রিকাগী নুপীমচাশিংনা গোল ৪ অমগা হাপচিনদুনা ইন্দিয়াবু ৫-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেটচতা রুসিয়াগী লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ব্রিক্সকী লৈবাক মঙা- ব্রাজিল, রুসিষা, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ আফ্রিকা না শরুক য়ারি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসি ইং ২০১৬দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা গৌৱাদা ইহান হান্না শান্নখিবদা ব্রাজিলনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা সাউথ আফ্রিকানা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

# মণিপুর এমেচর কারাটি দো এসোসিয়েসন এমওএ গী এফিলিয়েসন ফঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ষ্টেট অসিদা কারাটি মশান্নগী চাওখৎনবা হোৎনরিবা এসোসিয়েসন মণিপুর এমেচর করাটি দো এসোসিয়েসন (মাকা) বু মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা এফিলিয়েসন সার্টিফিকেট পীখ্রে।

থা অসিগী ১৬তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী সুনিল এলাংবমনা মাকাগী জোইন্ট সেক্রেটরী সিসান মুতুম বনকিম অমসুং এসোসিয়েসন অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সান্সি কিরনকুমার থাংজমদা এফিলিয়েসন সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

মাকাগী জেনরেল সেক্রেটরী বনকিমনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা মাকাবু এফিলিয়েসন সার্টিফিকেট পীরকপা অসি এসোসিয়েসন অসিবু ইকায় খুম্নবা উৎপীবনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর স্কুল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর অন্দর -১৪ এন্দ ১৭ বোইজ হৌরগনি।

অন্দর-১৪ গী কাংলুপ্তা স্কুল ৫-নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবা হায়র সেকেন্দরী স্কুল, লিতল মাষ্টর ইংলিস স্কুল, গ্রিন লেন্দ একাদেমী, অৱাং লৈকিনথাবী হায়স্কুল অমসুং সিটি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদগী লাকপা টিমশিংনা শরুক য়ারি।

অদুগা অন্দর ১৭গী ওইনা স্কুল ৭- লিতল মাষ্টর ইংলিস স্কুল, মোদেল হায়র সেকেন্দরী স্কুল, নিলামানি ইংলিস স্কুল, ঐচ আর দি একাদেমী, কোঞ্জেং লৈকায় হায়স্কুল, কম্প্রিহেন্সিপ কন্সেপ স্কুল অমসুং সিটি হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী টিমশিংনা শরুক য়াগনি।

হয়েং অহৌবা মেটচতা অন্দর-১৪ গী ওইনা গ্রিন লেন্দ একাদেমী অমসুং অৱাং লৈকিনথাবী হায়স্কুল লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অন্দর -১৭গী ওইনা মেটচ অনী শান্নগনি।

অমরোমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা টুর্নামেন্ট অসিবু কন্দক তৌনবগীদমক রেফরি ৪গী মমিং লাওথোকখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি ৱাই ইঙোবী সিংহ, টিঐচ প্রেমজিৎ সিংহ, কে অজিৎকুমার অমসুং ৱাই হেমন্ত নি।

মখোয় মরি হয়েং অয়ুক পুং ৬.৩০ দা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা লাক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টনা রিপোর্ট তৌননবা খঙহল্লক্লি।

# ICC (T-20) Top 30 Batsmen Rankings

| Position | | Player | Rating | Best Rank |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | Aaron Finch AUSTRALIA | 891 | 1 |
| 2 | 44 | Fakhar Zaman PAKISTAN | 842 | 2 |
| 3 | 9 | Lokesh Rahul INDIA | 812 | 3 |
| 4 | 2 | Colin Munro NEW ZEALAND | 801 | 1 |
| 5 | 4 | Babar Azam PAKISTAN | 765 | 1 |
| 6 | 3 | Glenn Maxwell AUSTRALIA | 761 | 2 |
| 7 | 2 | Evin Lewis WINDIES | 753 | 2 |
| 8 | 2 | Martin Guptill NEW ZEALAND | 747 | 1 |
| 9 | 2 | Alex Hales ENGLAND | 710 | 1 |
| 10 | 18 | D Arcy Short AUSTRALIA | 690 | 10 |
| 11 | 2 | Rohit Sharma INDIA | 678 | 11 |
| 12 | 4 | Virat Kohli INDIA | 671 | 1 |
| 13 | 4 | Mohammad Shahzad AFGHANISTAN | 659 | 7 |
| 14 | 3 | Hashim Amla SOUTH AFRICA | 643 | 8 |
| 15 | 19 | Jason Roy ENGLAND | 641 | 15 |
| 16 | 2 | Kane Williamson NEW ZEALAND | 634 | 3 |
| 17 | 9 | Jos Buttler ENGLAND | 614 | 17 |
| 18 | 8 | Hamilton Masakadza ZIMBABWE | 610 | 4 |
| 19 | 1 | Kusal Perera SRI LANKA | 608 | 5 |
| 20 | 4 | Eoin Morgan ENGLAND | 596 | 1 |
| 21 | 6 | Joe Root ENGLAND | 595 | 4 |
| 22 | 3 | Faf du Plessis SOUTH AFRICA | 594 | 3 |
| 23 | 6 | Shikhar Dhawan INDIA | 589 | 17 |
| 24 | 3 | Sabbir Rahman BANGLADESH | 585 | 10 |
| 25 | - | Solomon Mire ZIMBABWE | 581 | 25 |
| 26 | 2 | Marlon Samuels WINDIES | 570 | 3 |
| 27 | 2 | Jean-Paul Duminy SOUTH AFRICA | 568 | 6 |
| 28 | 2 | Shoaib Malik PAKISTAN | 560 | 4 |
| 29 | - | David Miller SOUTH AFRICA | 551 | 22 |
| 30 | 7 | Malcolm Waller ZIMBABWE | 542 | 22 |

# শ্রী লঙ্কা(এ)না বংলাদেশ(এ) বু রন ৬৭ দা মায়থিবা পীখ্রে

সিলহেট, জুলাই ১৯ঃ
বংলাদেশতা শ্রী লঙ্কানা টুর তৌদুনা বংলাদেশতা লৈবা সিলহেট ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অনীশুবা অনওফিসিয়েল ওদিআইদা শ্রী লঙ্কা এ না বংলাদেশ এবু রন ৬৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা শ্রী লঙ্কা এ না তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কা এ না ওভর ৪৯.৪ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৭৫ লৌদুনা বংলাদেশ এ বু রন ৬৭দা মায়থিবা পীখ্রে।




শ্রী লঙ্কাগী রনশিং অদুদি-উপুল থারঙ্গানা বোল ৫১ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪৪, অসন প্রিয়াঞ্জননা বোল ২৯ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২১, শামু অসননা বোল ১৬ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, দাসুন সনাকানা বোল ১৭ তা ফোর ১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১৭, সেহান জয়াসুরিয়ানা বোল ২০ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১২, থিসারা পেরেরা (কেপ্টেন) না বোল ৮৮ দা ফোর ৯ অমদি সিক্স ৫ য়ৈরগা রন ১১১, মিনোদ বনুকা (ৱিকেট কিপর) না বোল ৯দা রন ২, পুস্পাকুমারানা বোল ২০দা ফোর ১ য়াওরগা রন ৮, সেহান মদুসনকানা বোল ৩৬ দা ফোর ২ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৩৬ অমদি নিসন পৈরিসনা বোল ৮ দা রন ২ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা বংলাদেশকী বোল্লর অল অমিননা ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৬, খালেদ অহমদনা ওভর ৮.৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪২, সোরিফুল ইস্লামনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৭৪, নিম হসননা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৪২, অরিফুল হাক্কুনা ওভর ৫ দা রন ২০, অফিফ হোসেননা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২১, সনজামুল ইস্লামনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ২১ অমদি সৌমিয়া সরকারনা ওভর ৩ দা রন ২৫ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা বংলাদেশ এ না ওভর ৪৪.২ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২০৮ খক লৌবদগী রন ৬৭ তা মায়থিবা নঙখিবনি।

বংলাদেশকী রনশিং অদু সেফ সহননা বোল ৩০ দা ফোর ২ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২৮, সৌমিয়া সরকারনা বোল ৫ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১২, জকির সহননা বোল ২৭ তা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৩২, মোহমদ মিথুন (কেপ্টেন অমদি ৱিকেট কিপর) না বোল ৩০ দা ফোর ১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২৫, অল অমিননা বোল ৬৫ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪৬, অরিফুল হাক্কুনা বোল ৫৩ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৭, অফিফ হোসেননা বোল ২৩ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১২, সনজমুল ইস্লামনা বোল ৫ দা রন ২, নিম হসননা বোল ৮ দা রন ২ অমদি সোরিফুল ইস্লামনা বোল ১০ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৯ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কা এ গী বোল্লর সেহান মদসনকানা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩১, সেহান জয়াসুরিয়ানা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪১, দসুন সনাকানা ওভর ৬ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৪, পুস্পাকুমারা না ওভর ৯.২ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৩২, নিসান পৈরিসনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৩৯, শামু অসননা ওভর ২ দা রন ১৪ অমদি অসন পিয়াঞ্জন না ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৩ পীখি।

# জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী প্রোবেবল প্লেয়র ৩৮গী মমিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
গৌৱাদা চহি অসিগী ওগষ্টকী ২০ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিম শেম্নবগীদমক প্রোবেবল শান্নরোই ৩৮ গী মমিং লাওথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা- ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই য়াইফবী অমদি কে মেলোদি, দিএসএ ককচিংগী লিন্থোইঙাম্বী, দিএসএ বিষ্ণুপুরগী দব্লিউ উশারানি, ইম্ফাল ইষ্টকী এন মোনিকা অমসুং টিঐচ মঙ্গোলঙাম্বীনি ।

দিফেন্দরদা-ইম্ফাল ইষ্টতগী দব্লিউ কনচন, পিঐচ আসিলা, কেঐচ অনিতা, ঐচ পুস্পা, পিঐচ নিরমালা, ঐচ তোম্বীসনা, সারিতা য়ুম্নাম, টিঐচ ইচনতোন অমদি ৱাই জেনিতা, দিএসএ ককচিংদগী এসঐচ মেকোলা অমদি এস সুরজিতা, দিএসএ বিষ্ণুপুরদগী কেঐচ রেবিনা, কেঐচ সনামিজা অমসুং এম পুজা নি।

মিদ ফিল্ডরদা- ইম্ফাল ইষ্টতগী এ নিলম, ও লমঙাম্বী, এস উমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৱাই ইন্দিরা, এ কে পুস্পারানি, ৱাই লক্ষমি, কে ঐচ বিদ্যারানি, দিএসএ ককচিংগী ঐচ লিনদা, দিএসএ বিষ্ণুপুরগী এম অম্বীকা, টিঐচ সঞ্জিতা অমসুং এল সেলিয়া নি।

ফোৱার্দতা- ইম্ফাল ইষ্টতগী ঐচ বালেশ্বরি, পিঐচ সনাথোকপী, এসঐচ দেনি, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মৈলুনসিএম, কে ঐচ লক্ষমি, ৱাই ইন্দিকা অমসুং দিএসএ বিষ্ণুপুরগী এল বিজিয়া নি।

ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজরনা এস মানিতোম্বী দেবী না ওইগনি। অদুগা কোচনা এল রাজেস মৈতৈ নি।

শান্নরোইশিং অসিগী মরক্তগী ষ্টেট টিম খন্নবগীদমক থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা ত্রাইয়েল সেলেক্সন হৌখ্রে।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*